# নিগরদা বোকো হরামগী এটেকতা লান্মী ৩২ শিখ্রে



নিয়ামি, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
নাইজিরিয়াগা তায়নবা বোর্দরগী মনাক্তা লৈবা সাউথ ইষ্টর্ন টাউন বোসোদা এটেকর চা কয়ানা শরুক য়াখিবা বোকো হরামগী এটেক অমদা নিগরগী লান্মী ৩০ অমসুং নাইজিরিয়াগী লান্মী অনী শিখ্রে হায়না নিগরগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হৌখিবা থাংজদা ফোঙদোকখ্রে।

মদু কুমজা ২০১৫গী এপ্রিলদা লেক চাদ ইথৎ কারামগাদা মীচম ২৮ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৪ হাৎখিবদগী ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অদুনা নিগরদা চথুবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাঙথোকখিবা কাউন্টর এটেক অদুনা বোসো সিটিগী পোজিসন খূদিংমক নৌনা লৌশিনবদা মতেং পাংখি। হৌজিক ফীভমদু লাকশিল্লে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

"লেন্দ অমসুং এয়রগী মিন্স খূদিংমক শীজিন্নদুনা হৌজিক অকনবা এটেক অমা চথুরি।" মিলিটরি পোষ্ট অমা টার্গেট তৌখিবা এটেক অদুদা নিগরদগী অতৈ তরেৎ অমসুং নাইজিরিয়াদগী নিপান শোকখি হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা ফোঙদোকখি।

মিলিটেন্ট কয়াসু এটেক অদুদা শিখি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। বোসো টাউন অদু দিফা রিজনগী শরুক অমনি। টাউন অদুদা বোকো হরামনা অতৈ মফম কয়াদা চথুবা এটেক কয়ানা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ থাদোকহল্লবা মীওই কয়ানা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। লমদম অদু মিলিটেন্টশিং অদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন এটেক কয়া চথুখ্রে।

হৌখিবা থাংজদা কেপিটেল নিয়ামিদা মীওই ২০০ রোম্না লন্বীদা থোক্তুনা দিফাগী মীয়াম্না সপ্পোর্ট তৌদুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি। মখোয়না আর্মিগী এক্সনদগী রিজল্ট লাকপা ইৰাৎ ৰাৎপগী ফীভমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মিলিটরি চাদিং ওদিট তৌনবা তকশিনখি।

চাদ, কেম্মরুন, নাইজিরিয়া অমসুং বেনিনগা লোয়ননা নিগরনা লান্মী ৯০০০ লৈবা রিজনেল টাস্ক ফোর্স অদুদা গ্রুপ কয়া কন্ত্রিব্যুট তৌরি। রিজনেল টাস্ক ফোর্স অদুগী পান্দমদি হৌজিক ফাওবদা অফ্রিকন আর্মিশিংনা মাঙহন তাকহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদনা লৈরিবা গ্রুপ অদুগা হনবা লৈতনা লাম্হেংনবনি।

"ঐখোয়গী সবরিজন অসিদা টেররিষ্টশিংনা অকিবা পোকহনবা অসি নুংনাংনিঙাই ৰাফম অমা ওইরি" হায়না সেনিগলগী প্রসিদেন্ট মেকি সালনা হায়খি। মেকি সালনা হৌজিক ইকনমিক কম্যুনিটি ওফ ৱেষ্ট অফ্রিকন ষ্টেটস (ইকোৱাস)কী চ্যেরমেন ওইরিবনি।

"ঐখোয়না ঐখোয়গী রিসোর্ছ খূদিংমক তুং কোয়না চৎকদবা মপুং ফারবা মীৎয়েং অমদা পুনশিনগদবনি" হায়না ঙরাং দাকরদা ইকোৱাসকী সম্মিট অমদা মহাক্না হায়খি।

"মসিগা লোয়ননা ঐখোয়না টর্মিনোলোজিদা লৈবা চমন্নবা খূদিংমক মাঙহনগদবনি-বোকো হরামগী টেররিষ্ট এইমশিংগা চান্নবা ইস্লামিক ষ্টেট অফ্রিকাদা লৈতে। বোকো হরামদি বোকো হরাম ওইনা লৈগনি অমসুং ইস্লামগা টেররিজম অমসুং মসিগী মী হাৎপগী থবকশিংগা মরী অমত্তা লৈনদে।"

বোকো হরামনা কুমজা ২০০৯গী নোর্থ ইষ্ট নাইজিরিয়াদা অকনবা শিরিয়াগী লো চৎনবা ইস্লামিক ষ্টেট অমা লিংখৎনবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। চহী ৭মুক্কী লালহৌ মনুংদা মীওই মিলিয়ন ২.১ ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে অমসুং মীওই চা কয়া শিখ্রে।

# 'সাউথ চাইনা সিদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা ফীভম লাকপদা কিরোই'



সিঙ্গাপোর, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
য়ু এসকী "কাইহৌবগী থৌওংশিংবু" চাইনানা ঙসি কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং সাউথ চাইনা সিদা য়ুমথংনবশিংগা লমগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবশিংগী মরমদা খুদোংথিবা য়াবা ফীভম থোক্লকপদা লৈবাক অসিনা কিদে হায়খ্রে।

"হীরম অসগী মতাংদা মপানগী লৈবাকশিংনা কন্সট্রক্টিভ ওইবা থৌদাং লৌগদবনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবা তৌরোইদবনি। সাউথ চাইনা সিগী ইস্যু অসি তাংদাংবা লৈবাক খরনা মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা কাইহৌবগী থৌওংশিং চথুরকপদগী হেন্না লুশিনহল্লে" হায়না এদমিরেল সন জিয়াঙ্গোনা সিঙ্গাপোরদা সিক্যুরিটি সম্মিট অমদা হায়খি।

সননা ৰাফম অদু য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি অশটন কার্টরনা ফোঙদোকখিবা অমদা ফিলিপিন্সনা ক্লেম তৌবা সাউথ চাইনা সিগী ঈথৎ অমদা চাইনানা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলকপা তারবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা অথুবা 'এক্সনশিং লৌখৎলক্কনি' হায়খিবা মতুং নোংমা লৈরগা ফোঙদোরক্লিবনি।

"ঐখোয়না খুদোংথিনিঙাই ওইবা নুংঙাইতবা ফীভম অমত্তা শেমদে তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না অদুগুম্বা ফীভম অমা লাকপা তারবসু কিদে" হায়না চাইনিজ এদমিরেল অদুনা হায়খি।

পেন্টাগোনগী চীফনা মহাক্কী ঙরাংগী ৱারোলদা বৈজিংনা য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুকশিংদা মিলিটরি এক্সপান্সন তৌনবা 'মশা নাইতোম তাজনবগী গ্রেট ৱাল অমা' শাগৎচগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না খুদোংথিবা থোকপা য়াবগী চাং হন্থনবা লৈবাক অনীনা সিক্যুরিটিগী লমদা কোওপরেসন পীনবা হোৎনবগী ৰাফমসু হৌদোকখি।

এদমিরেল সননা ঙসি চাইনানা ৰাথোক অদু ঈং-চীকপা ফীভমদা লৈখায় তাম্হোক্লুবা পমই হায়খি।


# EMPLOYMENT NEWS

**GUJARAT SUBORDINATE SERVICE SELECTION BOARD – GSSSB RECRUITMENT 2016 – 2949 NON-SECRETARIAT SERVICE CLERK & OFFICE ASSISTANT VACANCIES – LAST DATE 20 JUNE**

**GSSSB Recruitment 2016**
Gujarat Subordinate Service Selection Board (GSSSB) invites Application for the post of 2949 Non-Secretariat Service Clerk & Office Assistant. Apply Online before 20 June 2016.
**Advt. No. : GSSSB/201617/83**
**GSSSB Vacancy Details :**
**Post Name :** Non-Secretariat Service Clerk
**No of Vacancy :** 2522 Posts
**Pay Scale :** Rs 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-
**Post Name :** Office Assistant
**No of Vacancy :** 427 Posts
**Pay Scale :** Rs 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-
**Eligible Criteria for GSSSB Recruitment :**
**Educational Qualification :** Candidates should possess H.Sc. (12th class)/ equivalent and Diploma in Computer application from recognized University/ Institute.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 33 years as on 10.05.2016
**Job Location :** Gujarat
**Selection Process :** Selection will be based on Written Exam.
**Application Fee :** Candidates has to pay Rs. 100/- + Rs. 12/- Postal Charges, Fee can be pay through Computerized Post Office. SC, ST, SEBC, PH & Ex-Servicemen candidates are exempted from Fee.
**How to Apply GSSSB Vacancy :** Interested candidates may apply online through website ojas.gujarat.gov.in or gsssb.gujarat.gov.in from 22.04.2016 to 20.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 22.04.2016
**Last Date For Submission Of Online Application :** 20.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** https://ojas.gujarat.gov.in/AdvtDetailFiles/GSSSB_201617_83.pdf
**Apply Online :** https://ojas.gujarat.gov.in/AdvtList.aspx?type= lCxUjNjnTp8=

**HIMACHAL PRADESH SSC – HPSSC RECRUITMENT 2016 – 1007 TGT, CLERKS & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 21 JUNE**

**HPSSC Recruitment 2016**
Himachal Pradesh Staff Selection Commission (HPSSC) invites Application for the post of 1007 TGT, Clerks & Various Vacancies on contract basis. Apply Online before 21 June 2016.
**Advt. No. : 32-2/2016**
**Job Details :**
**Post Name :** TGT (Arts/Non-Medical/Medical)
**No of Vacancy :** 404 Posts
**Pay Scale :** Rs. 13900/-
**Post Name :** Clerks
**No of Vacancy :** 103 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5910-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 1900/-
**Eligibility Criteria for HPSSC Recruitment :**
**Education Qualification :**
**For TGT :** B.Sc (NM/Medical) with atleast 50% Marks & 1 years Bachelor in Education or Senior Secondary & 4 Year Bachelor in Elementary Education or B.A/B.Com with atleast 50% marks with 1 year Bachelor in Education.
**For Clerks :** Should Have Passed 10+2 examination or its equivalent from a recognized board of School education/university. Posses a minimum speed of 30 w.p.m in english typewriting or 25 w.p.m in Hindi typewriting.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 45 years (as on 01.01.2016)
**Age Relaxation :**
**For SC/ST/OBC/PWD Candidates :** 5 years
Job Location : Hamirpur (Himachal Pradesh)
**How to Apply HPSSSC Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://hpsssb.hp.gov.in/ from 20.05.2016 to 21.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Application :** 20.05.2016
**Last Date for Submission of Application :** 21.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://hpsssb.hp.gov.in/ViewallNotifications.aspx?FN=Advt._32-2_of_2016.pdf

**TELANGANA STATE POWER GENERATION CORPORATION LIMITED – TSGENCO RECRUITMENT 2016 – 42 CHEMIST VACANCIES – LAST DATE 25 JUNE**

**TSGENCO Recruitment 2016**
Telangana State Power Generation Corporation Limited (TSGENCO) invites application for the post of 42 Chemist . Apply Online before 25 June 2016.
**Advt No. : 03/CGM(Adm,IS & ERP)/2016**
**Job Details :**
**Post Name :** Chemist
**No. of Vacancy :** 42 Posts
**Pay Scale :** Rs.41155-63600/-
**Eligibility Criteria for TSGENCO Recruitment :**
**Educational Qualification :** M.Sc First class with Chemistry or Environmental Sciences preceded by B.Sc with Chemistry as one of the subjects from a recognized university.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 44 Years (As on 01.07.2015)
**Age Relaxations :**
**For SC/ST and BCs :** 05 years
**For PH persons :** 10 years
**Job Location :** Telangana
**Selection Process :** Selection will be through written test & verification of original certificates.
**Application Processing Fee :** Candidates have to pay Rs. 100/- by online through TS Online Centers/ Portal.
**Examination Fee :** Candidates have to pay Rs. 120/- by online through TS Online Centers/ Portal. No fee for SC/ ST/ BC Communities & PH candidates.
**How to Apply TSGENCO Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through website www.tsgenco.telangana. gov.in or tsgenco.cgg.gov.in from 30.05.2016 to 25.06.2016
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 30.05.2016
**Last Date For Submission Of Online Application :** 25.06.2016
**Last Date for Payment of Fee :** 25.06.2016
**Date of Written Exam :** 10.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://tsgenco.telangana.gov.in/files/172.pdf


# সাউথ অফ্রিকাদা লৈবা য়ু এস সিটিজনশিংদা টেরর ৱার্নিং পীখ্রে



কেপ টাউন, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
সাউথ অফ্রিকাদা লৈবা য়ু এসকী দিপ্লোমেটিক মিসন্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এসকী সিটিজনশিংদা টেরর ৱার্নিং অমা ইস্যু তৌখ্রে।

সাউথ অফ্রিকাগী য়ু এস সিটিজনশিংগী পুনফমশিং ওইবা জেহানেসবর্গ অমসুং কেপ টাউনদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ কৈথেলগী এরিয়াশিংদা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা খঙহাই-খঙজিনগী এটেক কয়া পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবগী পাউ ফংলে হায়না মিসন অদুনা হায়খি।

"মসিগী পাউ অসি ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ দ লেভন্ট (আই এস আই এল)না গ্রুপ অদুগী মীওইশিংদা লাক্লিবা রেস্মদন থা মনুংদা মালেম শিন-থুংনা টেররিষ্ট এটেকশিং চথনবা আপিল তৌবা লৈরিঙৈ তাল্লক্তা লাক্লিবনি" হায়না মিসন অদুনা মখা তাবা অকুপ্পশিং ফোঙদোক্তবীদা হায়খি হায়না জিনহুৱাগী পাউনা হায়রি।

সাউথ অফ্রিকন ওথোরিটিশিংনদি ৱার্নিং অদুদা রেস্পোন্দ তৌদ্রি। ষ্টেট সিক্যুরিটিদা হীরম অসিগী মতাংদা কোল তৌবদা পাউখুম পীরকখিদে হায়রি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদসু য়ু এসনা মান্নবা এলার্ট অমা ইসু তৌরদুনা হায়খি মদুদি, এক্সট্রিমিষ্টশিংনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস ইন্টরেষ্টশিংদা টার্গেট তৌরকপা য়াবগী পাউ ফংলে।

ৱার্নিং অদুনা সাউথ অফ্রিকাবু মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈহনখি। তৌইগুম্বসুং মতমদুদা সিক্যুরিটি মিনিষ্টর দেবিদ মলোবোনা টেররিষ্ট গ্রুপ অমত্তনা সাউথ অফ্রিকাদা অকিবা পোকহনবা লৈতে অদুনা তহা-তহানা মীপাইনিঙাই ওইদে হায়খি।

সাউথ অফ্রিকাদা লৈরিবা নোংচুপলোমগী টার্গেটশিংদা টেরর এটেক কয়া চথুরকপা য়াবগী অকিবা মতম খরা লৈরকখি। "হ্বাইট ৱিদো" সমান্থ লুথৱেটনা সাউথ অফ্রিকাদা লৈবা নোংচুপলোমগী এম্বেসিশিংদা অরোন-অথুপকী পাউ লৌবগী পাউ ফোঙনখ্রবা মতুংদা মহাক্না কুমজা ২০১৩দা কেনিয়াগী নাইরোবিদা ৱেষ্ট গেট সোপিং মোল এটেক মাষ্টরমাইন্দ তৌখি হায়রি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবী বৃটিশ নুপী অদু কুমজা ২০০৮ অমসুং ২০১১গী মনুংদা সাউথ অফ্রিকাদা লৈরমই হায়বা খঙনখি। মহাক অরানবা পাম্বৈদা ফংখিবা সাউথ অফ্রিকন পাসপোর্ট অমদা নেটালি ফায়ে ৱেব কৌবা শেমজিন-শাজিনবা মমিং অমগী মখাদা কোইচৎ চৎলমই হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারীদা মহাক্না বৃটিশ হায় কম্মিসন য়াওনা প্রিটোরিয়াগী অর্কাদিয়া এরিয়াদা লৈবা এম্বেসিশিংবু কোইয়েং য়েংলিঙৈগী শক্তমশিং সী সী টি ভী কেমেরাশিংদা মমি তারকখি।

অর্কাদিয়া অসি য়ুনিয়ন বিল্ডিংশিং অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্টগী ওফিসল রেজিদেন্স লৈ। য়ু এসকী এম্বেসি অমসুং অতৈ ফোরন এম্বেসি কয়াসু মফম অসিদা লৈ।

# ইস্লামিক ষ্টেট থেংনবদা মালেমগী ক্রুপশিং শীজিন্নবা পামদে : লিবিয়ন পি এম

পেরিস, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০১৪দগী লিবিয়াদা মশীং হেনগৎলকপা লেপত্রিবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ থেংননবা মালেমগী মিলিটরিবু খুৎ থিংজিনহনবগী ৰাফম লৈতে হায়না য়ু এননা শৌগৎপা লৈবাক অদুগী য়ুনিটি গভর্ণমেন্টগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রশিয়া য়াওনা লৈবাক ২৩না হৌখিবা থাদা লিবিয়াবু জিহাদিষ্টশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি পাঙ্গল শাগৎপদা মতেং পাংগনি হায়না য়ানখি।

তৌইগুম্বসুং য়ুনিটি গভর্ণমেন্টকী প্রাইম মিনিষ্টর ফারেজ অল-সারাজনা ফ্রেঞ্চ জর্নেলদু দিমার্ঞ্চতা মহাক্না মপানগী ক্রুপশিংবু মহাক্কী লৈবাক্কী লৈমায়দা লৈহল্লোই হায়খি।

"ঐখোয়না টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী মতেং চঙই হায়বসি চুমই অমসুং মসি ঐখোয়না হান্নদগী ফংলবনি হায়বসিসু চুমই" হায়না মহাক্না ঙসি ফোঙলিবা ইন্টরভ্যু অদুদা হায়খি।

"তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মালেমগী লৈবাকশিংনা য়াওশিল্লকপগী ৱারীদি শানদে।" ঐখোয়গী লৈমায়দা মীরৈবাক্কী ক্রুপশিং লৈবা হায়বদি "ঐখোয়গী প্রিন্সিপলগী মায়োক্তনি"।

"মদুগী মহুত্তা ঐখোয়না সেটলাইট ইমেজশিং, ইন্টলিজেন্স, টেক্নিকেলগী মতেং পামই, বোম থাদবদি পামদে" হায়না মহাক্না হায়খি।

থা ২ খরা হেনবগী মমাঙদা ত্রিপোলিদা শেমখিবা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দ (জি এন এ)না ঈরাং লৈবা লিবিয়াদা য়ুনিটি পুরক্লবা অমসুং অৱাং অফ্রিকাগী লৈবাক অপুন্বদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকখি।

# সিরিয়ন আর্মিনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা অনৌবা ফ্রন্ট অমা হাংখ্রে



দমাস্কস, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
রশিয়ন এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা শৌগৎপা সিরিয়ন আর্মিনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা অনৌবা মরু ওইবা ফ্রন্ট অমা হাংখ্রে। মদু ইরাকি লান্মীশিংনা সিটি অমদা (ফালুজাদা) থোমজিন্নবা হোৎনখিবা অমসুং সিরিয়ন মিলিস্যা অমনা য়ু এসকী সপ্পোর্টকা লোয়ননা চঙশিনখ্রবা মতুংদা মশানা ক্লেম তৌজবা কালিফেট অদুদা চয়োল অসিগী মনুংদা চথুবা অহুমশুবা এটেকনি।

চয়োল অসিগী অচৌবা ওফেন্সিভ অহুম অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা চহী ২গী মমাঙদা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী শরুকশিংদগী মালেমগী মুস্লিম খূদিংমকপু রুল তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিঙৈদগী গ্রুপ অদুগী মায়োক্তা চথুবা খ্বাইদগী শাথিবা কেম্পেইনশিংগী মনুং চল্লি।

এটেকশিং অদুনা গ্রুপ অদুগী ককঙাওনরবা য়েক্লবশিংনা অনৌবা অচেৎপা ৱারেপ অমগা লোয়ননা ফ্রন্ট কয়ামুক্তা গ্রুপ অদুদা চৈথেং পীনবা হোৎনৈ হায়বসি তাকই।

হৌখিবা ইরাইদা রাকা প্রোভিন্সকী বাউন্দরিগী মনাক নক্না সিরিয়াগী হামা প্রোভিন্সকী নোংপোক থংবা এরিয়াশিংদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটনা খুদুম চন্দুনা লৈবা টেরটরিদা রশিয়ন প্লেনশিংনা অকনবা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথুখি। মখা তানা নোংপোক পাংনা চৎলগা লৈবা রাকা সিটি অসি সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকী দি ফেক্টো কেপিটেলনি। ইরাক্কী মোসুলগা লোয়ননা সিটিশিং অসি ইস্লামিক ষ্টেটকী রুল থুগাইনবা হোৎনরিবা কাঙবুশিং অদুগী টার্গেটশিং ওইরি।

লালদুবু মোনিটর তৌবা গ্রুপ অমা ওইরিবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মতুং ইন্না, সিরিয়ন আর্মিনা কিলোমিটর ২০ চঙশিনখিবগা লোয়ননা হৌজিক প্রোভিন্সিয়ল বাউন্দরিগী ময়াদা লৈখ্রে।

তোঙানবা নাকল অমদা, ৱাই পি জি কৌবা সিরিয়ন কর্দিশ ফোর্স অমা য়াওনা য়ু এসনা শৌগৎপা মিলিস্যাশিংনা অনৌবা আরব রিক্রুটশিংগা লোয়ননা রাকা প্রোভিন্স অমসুং য়ুমথংনরিবা অলেপ্পো প্রোভিন্সকী অতৈ শরুকশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা মচিন কয়া লোংবা কেম্পেইন অমা চঙশিল্লকখি।

# বেহরেইনগী জেলদগী ফাদোক ১৭ নাম্থোকখ্রে

দুবাই, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
ফাদোক ১৭ বেহরেইনগী জেলদগী নাম্থোকখ্রে হায়না পুলিসনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে অমসুং গভর্ণমেন্টনা সিটিজনশিংদা মখোয়বু চঙজফম পীদনবা চেকশিন ৱা পীখ্রে।

ওফিসল বেহরেইন ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি, ইরাই নুমিৎতা নাম্থোকখিবা ফাদোকশিংদুগী মনুংদা ১১ নৌনা ফাজিল্লে অমসুং মীওই তরুক মীচেল ওইদুনা লৈরি। ফাদোকশিং অদুবু নাম্থোক্লবা থৌরাং তৌবদা মতেং পাংখিবা অতৈ মীওই মঙাসু ফারে হায়না ন্যুজ এজেন্সী অদুনা পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

ন্যুজ এজেন্সী অদুনা হায়খি, দ্রাই দোক দিটেন্সন সেন্টরদগী ফাদোকশিং নাম্থোক্লমদাইদা লৈখিবা ফীভমশিং রিভ্যু তৌনবা পাঙথোকখিবা সিক্যুরিটি মিটিং অমগী চ্যেরমেন ওইখিবা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর শৈইখ রশেদ বিল অব্দুলা অল-খালিফানা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা মীচেলশিং চঙজফম পীদনবা চেকশিন ৱা পীখি।



এজেন্সী অদুনা জেলদগী নাম্থোকখিবা মীওইশিং অদু গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা দেমোন্সট্রেসনশিং পাঙথোকপগীদমক্তা জেলদা থমখিব্রা নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট ফেসিলিটিশিংদা এটেক কয়া চথুবগীদমক্তা থমখিব্রা নৎত্রগা মখোয় অদু ইচম চম্বা ক্রাইমশিংদা কন্ভিক্ট তৌবা মীওইশিংলা হায়বদু শেংনা ফোঙদোকখিদে।

অয়াম্বনা সিয়াইট মুস্লিমশিং ওইবা বেহরেইন মচা লীশিং কয়া এন্তি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা শরুক য়াবদগীনা নোংচুপ্লোমগা মীচং ওইনবা গল্ফকী নিংথৌ পানবা লৈবাক অদুদা খুৎলাই পায়বা এটেক কয়া চথুবগীদমক্তা জেলদা থল্লি। লমদম অদুদা য়ু এসকী মঙাশুবা ফ্লিট লৈরিবনি।

সোসল মিদিয়া শীজিন্নবশিংনা থাগৎলকখিবা য়ামদ্রবদা ফোটো অমদা মাইল কয়া ট্রাফিক মচি লেংদবগী শক্তম উৎখি অমসুং মদু পুলিসনা জেলদগী নাম্থোকখিবা ফাদোকশিংদুবু থিনবা লন্থী থিংবদগীনি হায়খি।

কুমজা ২০১১দা বেহরেইনদা আরব স্প্রিংগী মওংদা মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ অমা হৌরকখি। মদু মরু ওইনা সিয়াইট কম্যুনিটিনা পোলিটিকেল অমসুং ইকনমিক রিফোর্মশিং দিমান্দ তৌরদুনা হৌখিবা ঈহৌনি। সিয়াইটশিংগী দিমান্দশিংদুগী মনুংদা লৈবাক অদুগী লৈঙাক্তা মখোয়বু স্যের চাউনা য়াওহনবগী ৰাফম য়াওখি।

সাউদি আরাবিয়াগী বেকিংগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা প্রোটেষ্টশিং অদুবু নম্ফুদা নমথখি। তৌইগুম্বসুং মতম মতমগী ওইনা দেমোন্সট্রেসনশিং থোক্লকপদি লেপখিদে। দেমোন্স-ট্রেটরশিংগী মায়োক্তা পুলিসনা থুনা এক্সন লৌখৎপসু তোয়না য়াওখি। বেহরেইননা ইরানবু লৈবাক অদুদা ঈরাং থোকহন্নবা শিল্লি অমসুং আই ঈ দিশিং শীজিন্নদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক চথুবা মিলিটেন্টশিংবু শৌগৎলি হায়না মরাল শীরি। অমরোমদা, ইরাননা মিলিটেন্টশিংবু শৌগৎপগী ৰাফম য়াদ্রি।




HL-B/3061/18/04-17/05